# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে, লুপা কোতি ২ রোমগী ড্রগসু ফারে।

২) মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসি লোইশিল্লগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ১০ শুবা নিতি অয়োগকী গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোক্কনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবা ড্রগ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী চরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কামজোং জিলাগী কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তরেৎ রিভরদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ য়ুমাম লৈরক্তগী হায়রি। মীওই অদুদগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং নোংমৈ মরু ৬ ফাগৎপখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী ব্রাউনসুগর অমদি হিরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা মীওই অনি ফারে। জিলা

অসিগী মোংকোতখোপি ভিলেজদগী মীওই অমা লুপা কোতি ১ লাখ ৭৪ রোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউনসুগর গ্রাম ৮৯০ অমসুং সাপোন কেপ ২০ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হিরোইন নম্বর ফোরনি হায়না চিংনবা গ্রাম ২৬০ ফাগৎলে। মীওই অসিদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৮১ লিশিং ৫০ সু ফংখি।

জিলা অদুগী তাংনুৱাম ভিলেজদগী মণিপুর পুলিসনা মীওই অমা সাপোন কেপ ২৫ হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউনসুগরনি হায়না চিংনবা গ্রাম ২৮৯ সু ফাগৎখি। মীওই অসিদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৮ সু ফংখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাঙ্গৈ নেপালি বষ্টি অমসুং মসিগী অকোইবা চীংখোঙগী মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎখি। ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম- এস.এম.জি করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, আর্মিং ৱিং অনিগা কোন্ননা থার্তি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৬, এম.কে. থার্তিন-টি এক্সপ্লোসিভ অমা, লেথোদ সেল অমা, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অমা, টিয়ার স্মোক সেল অহুম, ষ্টন গ্রেনেদ অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অহুম য়াওরি।

শিরুই (এল)ঃ মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল ঙসি লোইশিল্লগনি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২০ দা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকখিবনি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম উখ্রুল জিলাগী হেদক্বাটরসতা বক্সি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। মসিদা তুরিজম মন্ত্রালয়গী দিরেক্তর জেনেরেল সুমন ভিলা, জি.ও.সি. থ্রি কোরগী লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেনধারকর অমদি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারসু শরুক য়াগনি। তোঙান তোঙানবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং শিরুই ভিলেজগী ভাঙায়ান হেরিতেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। রমঙসিম টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি ফুটবোল ফাইনেল মেটচতা এফ.সি এভেঞ্চরস উখ্রুল অমসুং এন.সি.ৱাই.দব্লিউ.ও কাংপোকপী থোংনগনি।

ফেষ্টিভেল অসি য়েংনবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়াম লেপ্পুনা লাকরি। ঙরাং মরিনি চনবা নুমিৎতা জগোই ঈশৈ অমদি মিস শিরুই লিলি ২০২৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। মিস শিরুই লিলি ২০২৫ টাইটল মিস ইসমি এস.এসনা ফংখ্রে। অদুগা ফার্ষ্ট রন্নরঅপনা মিস দিষ্টি অথোকপম দেবীনা তারে, মিস ইষ্টর সোমুংলানা সেকেন্দ রন্নরঅপ তাখ্রে।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২২ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ১০ শুবা নিতি অয়োগকী গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোক্কনি। হন্দক চহিগী মীফম অসিগী হিরমদি বিক্সিত রাজ্য ফোর বিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বসিনি।

১০ শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী উপ-রাজ্যপালশিং, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, নিতি আয়োগকী সি.ই.ওশিং, মেম্বরশিং শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা হেন্না চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবীগদমক লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং অমদি শিংনরক্লিবা কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

পিএমঃ রাইজিং নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর্স সম্মিট ঙরাং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র

মোদিনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতপ্ চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং চাওখৎহনবা হায়বসি তঙাইফদে। শ্রী মোদিনা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা তোঙান তোঙানবা সেক্তর কয়াদা থবক পায়খৎনবা ইনভেষ্টরশিংদা খঙহনখি। অৱাং নোংপোক লমদম অসি ইনর্জি অমসুং সেমি কন্দক্তরগী সেক্তরদা মাংজিল থাবা মফম ওইরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ইষ্ট হায়বগী ৱাহন্থোক্তি এম্পৱর, এক্ট, স্ত্রেংথন, অমসুং ত্রান্সফোর্ম হায়বসিনি। মহাকা হায়-মতম অমদা অৱাং নোংপোক লমদমবু ইচম চমা ফ্রন্তিয়র রিজন কৌরম্মি। হৌজিক্তী গ্রোথকী মাংজিল থাবা ফ্রন্ট রন্নর ওইরক্লে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম অসি টুরিজমগী মপুং ফাবা পেকেজ অমনি অমসুং লমদম অসিদা মালেমগী ওইবা মীফমশিং, কন্সর্টশিং অমসুং লুহোংবগী পন্থুংফম ওইবা য়াবগী মচাক য়ামা লৈ।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মুকবা অদু লৈবাক অনিনা নোংমৈ কাপদবা অমদি মিলিটরিগী থবক থৌরম অমত্তা নাকল অনিগী মরক্তা চথদবা হায়বা ৱাফমদা য়ান্নখিবনি।

দেনমার্কতা নিউজ চেন্নেল অমগা উন্নবদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- থা অসিগী ১০ দা ভারত লান্মীনা পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা মওংদা খুৎ হনখি। মদু মমাং থাদা পাকিস্তান্না ভারত্তা তেরোরিষ্টকী থবক চথদুনা মীওই কয়া তমথিনা হাৎখিবগী পাউখুম ওইনা চথখিবনি। পাকিস্তানদা বেজ তৌবা তেরোরিষ্টশিংনা ভারতকী মাইকৈদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকহনখি। হৌজিক্তি লৈবাক অনিনা করিগুম্বা হিরম খরদা য়ান্নবা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

আইপিএল ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ট-ত্বেন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং লখনৌগী ইকানা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সন রাইজরস হাইদ্রবাদনা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরবু রন ৪২ দা থোইখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে, নিনি চনবা নুমিৎতসু গাড়ি চেন্নখিদে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগী মান্নবা পাউশিং নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন অমসুং পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুহয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ইন্দিজিনস লেন্দ অমসুং রিছোর্সশিং ঙাক শেন্নবগী দিমান্দ তৌরদুনা মাস রেল্লি অমা চৎখ্রে, রেল্লি অসি তমেংলোংগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী মীশিং য়ামা শরুক য়াবা রেল্লি ওইরি হায়বা পাউনা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরগী ইরাংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ত্রাইয়েলগীদমক সরকারনা মণিপুরদা স্পেসিয়েল এন.আই.এ কোর্ট লিংখ্রে হায়না সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চাওখৎপগী লম্বীদা অৱাং নোংপোক মাংজিল থাবা ঙম্লক্লে হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমগা লোয়ননা অদানি গ্রুপ, রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রি, বেন্দনতা গ্রুপনা নোর্থ ইষ্টতা ক্রোর লিশিং কয়া ইনভেষ্ট তৌগদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রিং রোড প্রোজেক্ট: ষ্টেটকী এক্স-চেক্করদগী অহেনবা শেনফম পুথোক্লগা শুগদৌরিব্রা হায়বা পাউ অমা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসি নোর্থ ইষ্টতগী হৌবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা সিম্পল নেগোসিয়েতর ওইদুনা লৈরে, ষ্ট্রোং ওথোরিতি ওইদবনিনা ৱারী শান্নবা চৎলোই হায়না অমুকোনা ফোংদোরকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

সনালৈবাক্তা স্মার্ট কার্দতগী ই-ফোরমেটতা ওন্থোকবা থৌশিলনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। দিপার্টমেন্টকী থৌশিলনা কোর্পোরেসন চলাইবা ঙমলোইদৌরি হায়না অনিসুবা হেদলাইন পীরি।

------